# খ্বাইদগী অথুবা মতমদা ঈরাংসিগী ৱারোইশিন মীয়াম্না পুথোকসি

**– কর্নেল ঐচ সরত (রিটাইয়র্দ) –**

কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী হৌখিবা লাইবক থীবা থৌদোক অসি মে ২৬ ফাওবদদি নুমিৎ ২৪নি শুরে। নোংমগী থবক শুরগা, চেঙ ৱাল্লগা হিংলিবা লাইবক থীরবা মীচম মীয়ামদি করম্না হিংলমগনি? শোয়দনা চরা হেল্লমগনি। পুক পায়রগা, ঈশিং থক্লগা তূম্বা য়ানবা হোৎনরমগনি। পুক হাঙলবনিনা তূম্বসু পাক য়ারল্লোই। অসিগুম্বা ফীভমসি ইজরিবা ঐঙোন্দসু থোকখ্রবনি। মশীং খঙদনা চরা হেল্লকখ্রবা ঐহাকনি। লমদমসিদা থৌদোক-ৱাথোক অমা হেক থোকপদা লৈতবা-লায়রবশিংগী মরমদা খ্বাইদগী হেন্না ৱাই। মবুক থন্না হিংলিবা কনাগীসু ঐহাক্না ৱাদে। লায়রবগী লাইদগী লান্থোক্লবা, লায়রবা মীশিংনা ৱাখল খল্লগা হুমাং থোকপা থবক শুবীয়ু। থম্মোয় শেংনা হোৎনরবদা ঙম্লোইদবা থবক অমত্তা লৈতবনি। ইশামকসি Example (খুদম) নি। পুকচেল শেংনা থবক শুবীয়ু অমসুং নোম্বীয়ু। তাইবঙ শেম্বা মপুনসু মতেং পাংবনি।

করিগুম্বা ঐহাক্না লৈঙাক্কী মকোক ওইরম্লবদি, ইজরিবা ৱাফম খরসি থবক ওইনা পাঙথোক্কনি। লমদমসিদা লৈরিবা ট্রাইবস ৩৪গী চীফশিং য়াওনা, য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর (Historian, Economists, Financial Experts, Political Sciences), Muslim Mauluvis and Muslim Women leaders, Meira Paibis, Women Society Leaders of Hill areas, Politicians of all Parties, Learned Elders of Meiteis নচিংবা ময়ামসিগী অপূনবা মীটিং অমা কংলা ফোর্টতা অথুবা মতমদা কৌগনি। শোয়দনা লাকপীনবা ইনভিটেসন কার্দ দি সী মশামক চৎলগা মখোয়দা য়ৌহনগনি। মখোয়গী চৎথোক-চৎশিনগী গাড়ীশিং এরেঞ্জ তৌগনি। থুংফম-চাফম য়াম্না ফজনা শিনগনি। অহাওবা লঞ্চ অমসু চাননবগী থৌরাং তৌগনি। মীটিং অদু ওপন ওইনা, রিজার্ভেসন অমত্তা থম্মোয়দা থমদনা মথং-মথং খন্নগনি। অপেনবা-পেন্দবা লৈবা হায়বসি মীওইবগী হৌনশানি। ম্যেন এজেন্দাদি - খুদক্কী ঈরাংসি লোইশিনবদুনি। সেন্ত্রেল মিনিষ্টরশিংদসু ঈরাংসিগী মরমদা কমপ্লেন্ট তৌরুরে। ঐখোয় মশেলগী মরক্তা পেন্দবা য়াম্না ফুমদুনা লৈনরম্লে। মরম অদুনা ঐহাক্না হায়জনীংবদি - ঙসি ফাওবদা কুকি ট্রাইবকী মীহুৎনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইদ্রি। মৈতৈ, নাগা, মুসলিম ফাওবগীদি চৌক্রি অসিদা ফমখ্রে। মণিপুর ইমানা থম্মোয় শোক্না কপ্লিবসি লোইশিন্নবা ঐ ফম অসি ইমাগীদমক খল্লগা থাদোক্লগে। নখোয় কুকি মরক্তগী মীহুৎ অমনা চীফ মিনিষ্টরগী অশাবা চৌক্রিদা ফম্বীরো। অদুগা খ্বাইদগী মরু ওইবা অমসুং লেংবা য়াদ্রবা ৱাফম অমদি ইমা লৈবাকসিগী অমসুং ইমাগী শক্তম অমত্তা কাইহনবদি য়ারোই। ইমাগীদমকনি মণিপুর মীয়াম্না মীপাইরিবসি। ইমা অমুক হন্না কপহল্লরোইসি। নোকহল্লসি ইমাবু ঐখোয় ময়াম্না। খুরুমজরি ইমাবু নচাশিংনা।

ইতিহাসিক ওইরবা মীটিং অসি মণিপুরগী পুৱারীদা সনাগী মচুনা ইদুনা লৈহৌরগনি। মীটিং অসি লোইরগা, ৱারোইশিনগী মিনটতা ঐখোয় পূন্নমক্না য়ান্নরগা সাইন তৌসি। য়াম্না মচং ওইবা ৱাফমদা ৱা ঙাঙবীয়ু। পুনশিনবগী, নুংশিন্নবগী মরমদা ঙাঙসি। য়ুনিটি ইজ ষ্ট্রেঙথনি হায়বদু নীংশিংসি। সাইন তৌরবা মতুংদদি খুদক্তা ঈরাংসিগী মরমদা পাঙথোক্লম্বা অথিংবা পূন্নমক্তু হন্দোকপীরো। য়ান্নদবা, মুক্লবা, নুংশিন্নদবা হায়বসি পুন্সিগী ফংলরোইদবা মতমদু মাঙহনবনি। নুমিৎ ২৪নিগী মতম কান্নদবদা মাঙখ্রে। পিরাংনা লুপ্লগা কপ্পুনতা হিংলক্লবা ইমানি।

করিগুম্বা ৱাফমসিদা য়ান্নদ্রগদি প্রসিদেন্ট রুল থমসি। মরমদি মীচম মীয়াম মফম-মরাং খঙদনা শিবসি শিদনবা। আর্মিগী ষ্ট্রিক্ট দিসিপ্লিনগী মখাদা ষ্ট্রোঙ এক্সন লৌখৎপগী দরকার লৈখ্রবনি। লমদম অসি লমহেনবা মশীংনা হেনবনি। সেল্ফ দিসিপ্লিন লৈবা মী ইয়াম য়ামদবনি। অসাম রাইফলস, রেপিদ এক্সন ফোর্স, সী আর পি এফনচিংবা কাঙবুনা মণিপুরগী মীয়াম্বু কন্ত্রোল তৌবা ঙম্লোই। য়ুনিফোর্ম শেৎলিবা পূন্নমক আর্মি নত্তে। নোর্থ ইষ্টকী গ্রুপস য়াওদবা, মীচং-মীখাই নাইদবা কাঙবুনা কন্ত্রোল তৌগদবনি। আর্মিনা পুং খরগী মনুংদা য়াম্না ইরায় লায়না কন্ত্রোল তৌবা য়াবা পীকখ্রবা মফমনি। লমহেনবশিংদু মখোল অমত্তা থোকহন্দনা লোইশিনবা য়াবা ঙাক্তনি। "Operation Silence" হায়বা Code-Word অমখক্কী ৱাফম ওইগনি। মিলিটরিগী ওপসন অসি অফবদি নত্তে। ইতিহাসিক ওইদে।

পৃথিবীগী লানফম খুদিংগী ৱারোইশিনসি টেবলদা এগ্রিমেন্ট অদু সাইন তৌরগা লোইশিনখিবা ঙাক্তনি। নোংমৈগী লানদু কলমনা লোইশিনখি। তাইবঙপাল অসিদা লৈরিবা মীওইবগী চৎনবীসি ইকায় খুম্নসি। সরেন্দর তৌরগা, মখূৎ মথক্তা থাংগৎলগা চঙজরকপা য়েক্লবদা নোংমৈ কাপ্পা ইন্টরনেসনলগী জিনেভা কনভেন্সনগী এগ্রিমেন্টকী মতুংইন্না কাপ্পা য়াদে। অসুম্না সেন্ত্রেল পোলিটিসিয়ননা মণিপুরগী ফম্নাইবশিংবু ইকায়খুম্নরোইদবা মরম য়াম্না লৈরি। Intelligence Report শিং থারিবসি CBI, RAW, SB, SIB, CID, Intelligence Bureau, Army Int Corps, PIB Wing of the Army, Assam Rifles না Home Affairs Ministry দা, বি এস এফ, সী আর পি এফ, আই পি এস ওফিসরশিংগী মরক্তগীসু অখন্নবা ওফিসর অমনা লোননা ঈ-পাউ পূন্নমক ফোনদা নৎত্রগা মশানা ইরগা থারিবনি। আই এ এস ওফিসরশিংগী মরক্তসু মীওই অমনা শোয়দনা থারিবনি। অদুনা মণিপুরগী অরোন-অথুপ, ফম্নাইবশিংগী দেলি রুটিন অসি মখোয়না লোইনা লোননা দেল্লীদা থারিবনি। চীফ মিনিষ্টরগী সিক্যুরিটি গার্দশিংগী মরক্তগী মীওই অমনা অকুপ্পা ৱারোল পূন্নমক হোম এফ্যেরস, দেল্লীদা থারিবনি। মীচম মীয়াম ঐখোয়না করিসু খঙদ্রিঙৈদা অরুবা-অরোনবা পূন্নমক দেল্লী য়ৌখ্রবনি।

মণিপুরগী হৌখিবা নিংথৌশিংগী অমসুং ফম্নাইবশিংগী নুপী অমদগী হেন্না থিবা ময়ামসিগী মরমদা ময়াং মচাশিংনা কুপ্না নৈনরবনি। মখোয়না ঐখোয়বু করম্বা মওংদা ইকায় খুম্নগনি? ওদিসাগী চীফ মিনিষ্টর Shri Naveen Patnaik না Mayo College, Ajmen (Rajastan) দা তম্লিঙৈদা সম্মর ভেকেসন থোক্লকপদা ঐগা পূন্না ত্রেন তোংমিন্নরকখি। ঐগী ইমান্নবা (Rimcollian-ex-RIMC Cadet) Shri Biranchi Narayan Mishra গী ময়াম্বা Shri Privithi Raj Mishra গা ক্লাস ফেলোনি। Shri Naveen Patnaik কী অপোকপদি Biju Patnaik, Kalinga Airlines কী মপুনি। ওদিসাগী চীফ মিনিষ্টর ওইরমখি। জৱাহরলাল নেহরুগী চান্নবা মরুপনি। হায়জনীংবা মরু ওইবা ৱাফমদি - শ্রী নবীন পাটনাইক হৌজিকসু Bachelor (পাখং) নি। নুপী থিদে। ডা. বিমল চন্দ্র রোই, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী নেহরুগী মতমদা চীফ মিনিষ্টর ওইরমখিবদুসু পাখং ওইরগা পুন্সি লোইখি। আর্মিদসু Plural Marriage অসি শুকয়া য়াদে। দিসমিস তৌরগা আর্মিদগী লংথোক্লক্কনি। Atal Behari Vajapaiyee, Shri Narendra Modi নুপীগা লৈমিন্নদে। শ্রী নবীন পাটনাইক ইংলিস লেংগ্বেজদা লাইরিক ১১ ইখ্রে।

ঙসি ঐখোয়না Sidhartha (Gautam Buddha) অমসুং হিজম ইরাবত নীংশিংলিবসি নুংঙাইরবা পুন্সিদু থাদোক্লগা সংসারগী অমসুং সমাজগী অশোয়বশিংদুগী মায়োক্তা খোল্লাউ লাওরমখিবা অমসুং থবক ওইনা উৎলম্বদুননি। Kapilavastu গী নিংথৌ ওইরগা নুংঙাইনা মচা-মশুগী ইপাক্তা তাওরগা পুন্সি লোইখিবা ওইরম্লবদি হৌজিক Buddhism ধর্ম্মগী খ্বাইদগী তমজনীংঙাই ওইবা মেদিটেসনগী শরুকসি লৈরম্লোই। মীয়ামগী য়াইফনবা খনবা মীওইদুনি ঐখোয়না নীংশিংলিবসি।

পুন্সি অসিদি কৎথোকপগী ওইগদৌবনি। কর্ণগী ৱারী কাউবা য়াদে। লৌশিনবগী, নিবগী থবক কৈদৌনুংদা পাঙথোক্লোইদবনি। ঈরাং অসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী প্রোব্লেমনি। কর্ণাটকাদা বি জে পি অসি ইরুপখ্রে। মথংগী এসেমব্লি ইলেক্সন পাঙথোক্কদৌরিবা টেলঙ্গনা, রাজস্থান, এম পি অমসুং ছটিশগরদা করম থোক্লক্কনি খনবদা মকোক ঙাওরি। অদুগা জেনরেল ইলেক্সনসু থা ৬ মুক্তা ঙাইরক্লবনি। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা, হোম মিনিষ্টরনা ঐখোয়গী ইস্যু অসি য়াম্না সিরিয়স ওইনা লৌবগী মতম মখোয়দা লৈতে। হৌজিক্কী চাওখৎলবা মতমসিদা অসিগুম্বা চাওখৎতবা থৌদোকসিগী মরমদা কনাসু মতম মাঙহন্নীংদে।

ঐখোয়গী ইস্যুদি ঐখোয়না য়াম্না ঈংনা-চিক্না লোইশিনসি। ঈজৎ লৈবা খুন্নাই অমুক্তা ওইনবা ঐখোয় ময়াম চংদুনা হোৎনসি। ইকায়নীংঙাইনি ওইরিবা ফীভমসি। মসিমসু কাউরোইসি -"মীয়াম অপূনবগী শক্তিবু নমথগদৌবা খূৎলায় অমত্তা মালেমসিদা লৈতে। মীয়ামগী ঈহৌ হায়বসি খ্বাইদগী হেন্না শাথীবনি। মীয়ামগী Volcanic action হায়বদি মৈগী চীং পোকখায়রকপদু ঙাইবীগনু। মদুদগী সিভিল ৱারগী কন্দিসন অদু লাকপা য়াই। মীচম মীয়াম শিরিবসি য়াম্না ইরায় লায়না লৌবীগনু। মখোয়সি ভোলকেনোগী সিম্বল ঙাক্তনি।

মালেমগী অতোপ্পা মফম অমত্তদা ইকোনোমিক ব্লোকেদ তৌদে। ষ্টোন এজগী মতমদসু তৌখিদে। অদুবু এটোমিক এজগী মতম অসিদা ইকোনোমিক ব্লোকেদ পাঙথোক্লি। ঙাইহাক লৈতনা নেসনল হায়ৱেবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরিবা অসি Lakshman Rekha অমা চিংলগা থমদবদগী তৌরিবনি। ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী ৱাখল মপূং ফানা খন্থবা ঙমদবদগী থোক্লিবনি। নেসনল হায়ৱে মনাক্তা খুল অমত্তা তাহন্দবা নৎত্রগা তোঙানবা লম্বী অমা শেম্বগী দরকার ওইরি। মফম অসিদদি মীওইবসি লাইফদিবীগা চপ মান্নখ্রে।

ইপা ইপুশিংগী হাক্তক্তা অসিগুম্বা ফীভম ওইখিদে। মীতোপ্পা অসুক শাথীনা উশিৎ-থৌওইদবগী মরম য়াম্না লৈরি। করিদগী ওইরিবনো? খঙদে হায়বদি য়ারোই। খুন্নাইসি মীখা পোল্লগা হিংলি। য়ুনিফোর্ম শেৎপশিংনা ঙাক্লগা ঐখোয় হিংগদৌবা নত্তে। ইশানা শু-নোম্লগা ইনিং তম্না হিংগদৌবনি। কনাগীসু মখাদা, য়াথংদা হিংগদৌবা নত্তে। লৌউ-খোইবগী মতম হেনখ্রগনি। তোকঙা ঙাঙনবগী, তোকঙা তাবগী মতম লৈবীগনু।

অফবা থবকশিংগী ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমসি। ফত্তবা, ওক্তবা লমচৎ-শাজৎকী রেকোর্দ মূখৎসি। মতম অমদা তুংগী মীরোলশিংদগী তিনফা অচৌবা ফম্নাইবশিংনা মীয়ামদগী ঈ চুপ্লগা শাখিবা, পৈশিনখিবা লন-থুম পূন্নমক উৎ ওল্লকখিবা য়ারিবনি। পীকখ্রবা মফম অসিদদি ঐখোয় মশেল লোইনমক খঙনরবা ঙাক্তনি করম্না হৌরকখি, করম্বা মওংদা মীয়ামগী ফন্দ পূন্নমকপু মখোয়গী পোকেটতা হাপচিনখি হায়বদু। খ্বাইদগী মরু ওইবদি মীয়াম্না মতিক মগুন য়াওদবা কয়াদগী শেল লৌরগা মীয়ামগী মীহুৎ ওইহনবদগী থোক্লিবনি। করপসনগী কেন্সরনা নারবা খুন্নাইনি। লৈঙাক্কী তুংইনবা অমা ওইজগে হায়দুনা লুপা লাখ ৭০/৮০ ফাওবা ফম্নাইবশিংদা পীশিনখিবা মশীং য়াম্লি। ঈরাংসিগী রুট কোজদি করপসননি।

পৃথিবীগী অফবা পূন্নমক্কী লোইফমসি লমদম অসি ওইরি। অফবগী পোকফম ওইনবা শেমসি। ইন্টরনেট সর্ভিস থিংবনা, কর্ফিয়ু থম্বনা, সিফাইশিংনা ঙাক্লগা হিংবনা ঈরাংসিগী ফিনিশিং পোইন্ট ওইগদবা নত্তে। মীচম মীয়ামসি করম্বা মওংদা থম্লগা নুংঙাইনা পুন্সি হিংগনি খন্থমিন্নসি। ইথক ইরাংদা মতম মাঙহল্লরোইসি। ৱাখল য়াম্না মুন্না খন্থমিন্নসি।

হুমাং তানা থবক শুসি। ইশাগী পোখোক্লা হিংবা ঙম্নবা হোৎনসি। কনাগীসু মখাদা হিংবা হৌনদে। করিগীদমক মীতোপ্পা ঐখোয়বু হন্থনা য়েংহনগদৌরিবনো? মখোয়না কৌরবসু মতম শংদে খুমগদৌবনি। মীতোপ্নবু ঐখোয়গী য়াইফনবা করি পাঙথোক্লক্কদগে? ইজখ্রিবা পূন্নমকসি ইমা লৈবাক অসিবু মতৌ করম্না অমুক্তং মকা লাম্না, ঈংনা-চিক্না লৈবা ঙমগদগে হায়বা সজেসন খরগা লোয়ননা ইজবনি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

# মৈ চাকপা কনবা চঙখিবা মীওইবু লান্না চার্জ তৌবা য়ানিংদে: ননাও

**ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচএনএস):** বিষ্ণুপুর অমদি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকা তাইনবদা লৈরিবা ঙাঙখলৱাই অমদি থম্নাপোকপী এরিয়াদা ঙরাং অয়ুক পুং ৭ রোম তাবা মতমদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা লূমদুনা নোংমৈ কাপ্লকপদা পান্দুনা লৈখিদ্রবা তোইজম চন্দ্রমনি অপোকপা ইঙৌচৌবা লৈফম চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী থেংগ্রা লৈরক্তগী লাক্লগা হৌজিক্না মোইরাং কলেজতা হাংলিবা য়ুনিট কেম্পতা লৈরিবা মীশি অসিগী মতাংদা নেসনেল পাউচেশিংদা শিরিবা চন্দ্রমনিগী মনাক্তগী দব্বল বেরেল অমা, সিঙ্গল বেরেল অনী, গ্রেনেদ অনী ফঙই হায়না ফোঙদোকখিবা অদু য়ুম্ফম য়াওদবা অরানবনি।

খূৎলায় য়াওখিদবা মীচম অমদা লান্না মরাল শীজিনবসি ইমুং মনুংনা য়ানিংদে। মহাক খূৎলায় পায়খিবা লৈতে হায়না লৈখিদবা চন্দ্রমনিগী মনাওনুপা তোইজম ননাও (৩১) না ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তারদুনা নুমিৎ অদুদা স্কুল মৈ থারকপদগী মহাক্কী ময়াম্বা অমদি মমান্নবা অমগা লোয়ননা পুন্না গাড়ী অমদা চৎপদা স্কুল মৈ থারে হায়বা পাউ তাবদগী মহাক্কী ময়াম্বা চন্দ্রমনি মৈ কন্নবা চঙখিবনি। মদুদা মৈ চাকফম অদুগী অকোয়বদা হান্না লূমদুনা লৈরম্বা লমহেন তুহেনবা কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীনুংশি য়াওদনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা পান্দুনা মহাক হোস্পিটালদা পুখৎপদা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদবনি।

নোংমৈ অদু আর্মিনা কাপ্লকপা নত্তে, মফম অদুদা আর্মিসু লৈতে। মৈ কনবা চঙবদা করম্না খূৎলায় পায়গদৌরিবনো, মহাক্কী খূৎলায়সু লৈতে। মৈ কনবা চঙবদা করম্না খূৎলায় য়াওগদৌরিবনো হায়না পেন্দবা ফোঙদোরকখি।

সূদা লৈরিবা কুকি মিলিটেন্টশিং অসি হেক লৌথোক্ত্রিবা ফাওবদি লমদম অসিগী মৈতৈশিং নোংমগী শিবা হেনগৎলকখিগনি। মরম অদুনা মণিপুর লৈঙাক অমদি সেন্টর গভর্ণমেন্টনা সূদা লৈরিবা কুকিশিং অসি মখোয়গী দেজিগনেটেদ কেম্পদা হন্দোকহন্দুনা লৈহন্দ্রিবা ফাওবদি লমদমসিদা তংদু লৈতানা ইংনা চিক্না লৈবা ঙমখিরোই।

অমরোমদা, হৌজিক লৌউ পন্থা ওইবনা লৌহোন হুন্নবা লৌমীশিংনা লৌবুক্তা কুমদুনা ফৌদি হুন্নবা ট্রেক্টরনা লৌ খোইনবা হোৎনবদা খূৎলায় কুকি মিলিটেন্টশিংনা চীংথক্তগী নোংমৈ কাপথরক্কদ্রা হায়বগী চিংনবা লৈরিবা অসি মণিপুর লৈঙাক্না অথুবা মতমদা কাঙলূপ অনীগী লুচিংবশিং পুন্না ফম্মিন্নদুনা ৱারোইশিন অমা পুরক্তুনা ইংনা চিক্না কাঙলূপ অনীগী মীওইশিং নুংশি চান্নবা লৈহনবা মথৌ তাই। লমদমসিদা লৈরিবা মীয়াম্বু ঙাক শেন্নবা লাক্লিবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনসু মীচং মীখায় নাইদনা চপ মান্নবা মীৎয়েংদা মীয়াম্বু ঙাকপী শেনবীবা পাম্মী।

<table>
<tr><th>হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৬</th></tr>
<tr><td>

১) **"ঈচেলদুগী মতাইদা"** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?

২) **"মসিদা এডুকেসন দিপার্টমেন্টনা শন্দোকপা সিলেবাসগী মতুংইন্না লোন তম্বীবগা লোঙ্গননা হৌনবী অমসুং রাজভক্তি তম্বীবা হাঙ্গবা অদু ঙম্বমখৈ কাঙ্গদনবা ঙাকচরি"** মণিপুরগী খূৎমাবা ৱাক্সা অমনা ইবা লাইরিক অমগী ৱাহৌদোক্তা ফোঙদোকপা ৱাহে খরনি। ৱাক্সা অসি কনানো অমদি ৱাহৌদোক অসিদা য়াওরিবা লাইরিক অসি করিনো?

৩) **"দাদীবুধা"** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৪) **"অমেরিকাগী ঈশৈ"** হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) **"নঙগী ৱারী"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

</td></tr>
<tr><td>

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

</td></tr>
</table>

### মীওই ৭ থীবা খঙদ্রি

**ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচএনএস):** থাসিগী ৩ দা থোকখিবা থোকহন্নিংদবা কাঙলূপকী ইরাং মনুংদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা ফাখিবা য়াওনা মীওই নিপান হৌজিক মফম খঙদনা লৈরি। পুলিসতগী ফঙবা পাউজী মতুং ইন্না থা অসিগী ৬ তা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খুম্বোং বজারদগী য়ুমখায়বম কিরন (৪৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা ৱাই কলাজিৎ অমদি লৈকায় অসিমক্তদগী অতোম সোমোরেন্দ্রো (৪৮) অপোকপা এ কৃষ্ণমোহন মখোয় অনীমক সঙাইথেল এরিয়াদা চৎখিবদগী হৌজিক ফাওবা ময়ুমদা হঞ্জিল্লক্তনা লৈরি। থাসিগী ১১ দনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তোর্ব্বুংদদগী ফাখিবা এন তোমচা এলাইজ প্রকাস (৩৩), তোর্ব্বুংদগী হৌজিক্লা ফুবালাদা লৈবা এল সুরজ (৩২) অমদি লৈকায় অসিমক্তদগী থোঙাম শ্যাম (৩৪) সু মফম খঙদনা লৈরি। অৱাং সেকমাইদগী এম দেবান (৩২) অমদি লৈকায় অসিমক্তদগী টি তোম্বা (২৮) সু কংলাতোংবীদা চৎখিবদগী মফম খঙদনা লৈরিবনি।

# মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি লোইশিনগে হায়রবদি সূদা লৈরিবা কুকি মিলিটেন্টশিং দেজিগনেটেদ কেম্পতা লৈহল্লু: এম দি এ

**ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচএনএস):** মণিপুরদা থা অসিগী ৩ দগী চথুরকখিবা থোকহন্নিংদবা কাঙলূপকী ইরাং অসি লোইশিনগে হায়রবদি লৈঙাক্না সূ তৌনরিবা কুকি মিলিটেন্টশিং অসি মশাগী লৈফম দেজিগনেটেদ কেম্পতা লৈহনগদবনি হায়না মণিপুর দিমোক্রেটিক এল্লায়ন্স (এম দি এ) গী চিয়ারমেন বিজয় কোইজম্না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফালগী বাবুপড়াদা লৈবা মণিপুর দিমোক্রেটিক এল্লায়ন্সকী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা মহাক্না মখা তানা হায়, কুকি মিলিটেন্টশিংনা পায়রিবা খূৎলায়শিং অসি লৈঙাক্কী ছোজৈ পায়রিবা মফমদা থমহনগদবনি নত্তবদি থোক্লিবা ইস্যু অসি হন্থবা ঙম্লোই। মখোয়না মমাঙগী পিছ রেল্লি চৎপা মতমদা করিগীদমক একে ৪৭ রাইফল পায়বা মী য়াওরিবনো। নোংমৈ পায়দুনা চৎপগী করম্বা হিদ্দন এজেন্দা লৈবনো। মণিপুরদগী তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসন অমা পীয়ু হায়বা অসি এম দি এ অমদি মণিপুরগী মীয়াম্না য়াবা ঙম্লোই।

পাউচেগী খুত্থাংদা ফোঙদোরকপদা য়ুমথংনরিবা মিজোরামগী সিএম ফাওবনা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়নবা ইস্যুদা মতেং পাঙবা থৌওং য়াম্না হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা কন্দেম তৌই। মখোয়না চুড়াচান্দপুর অসি গ্রেটর মিজো ওইবা পাম্বা অসি কুইরবনি। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মণিপুরগী তুংগী নহাশিং কন্নবা হোৎনবদা মখোয়না মণিপুরদা মোরে গেট থিংলকপা, লোনা য়াদনা চঙলকপা মাইগ্রেন্টশিং থীনবা হোৎনবা, পাক শন্না চীংগী লমদা উ ৱা য়ান্থৎলগা পোপ্পি পাম্বী থারকপা, দ্রগ শুংলগা পুথোরকপা, মণিপুরগী ফোরেষ্ট এরিয়াদা লাইশঙ শাজিল্লকপা তকথোক্লবা হোৎনবা, মণিপুরদা এন আর সি ১৯৫১ চৎনবা হোৎনবা অসিনা মখোয়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনবু য়েক্লবনি হায়না লৌই।

উ য়াম্না থারগা কান্নবা পীগদৌরিবা অসি মীয়ামদনি, এন বিরেননা চীংদা চৎলগা লৈগদবা নত্তে। মখোয়না পাম্বা থবক অসি তোঙানবা অরোনবা এজেন্দা অমনি হায়না লৌই। মখোয়না তোঙানবা ষ্টেট অমদি এদমিনিষ্ট্রেসন তানবা শুংয়া য়ারোই। মখোয়না করিগুম্বা গ্রেটর মিজো পাম্লবসু মিজোরামদা চৎলগা লৈবা য়াগনি অদুগা মণিপুরগী লম ইঞ্চি অমা ফাওবদি পুবা য়ারোই। মসি মণিপুরগী মীয়াম্না য়াবা ঙম্লোই হায়বসি মখোয় মশানা খঙজগদবনি। বি জে পিগী লৈঙাক্তা য়াওরিবা এম এল এ খরনা পুনবগী মহুত্তা খরনা তোঙান তোঙাননা ষ্টেটমেন্ট থোরকপা অসিনা অতোপ্পা ফুরুপকী এম এল এশিংনা খুদোংচাবা লৌরকপনি হায়না খল্লি। মণিপুরদা লৈরিবা ওপোজিসন অমদি রুল্লিং খায়দনা অমদি লৈমিন্নরিবা পার্টিদসু ওপোজিসন রুল্লিং খায়দনা পুন্না লৈমিন্নবা মথৌ তাই হায়না খল্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়, সেন্ট্রেল ফোর্স অমদি ষ্টেট ফোর্স অনী অসি পুন্না ৱাখল মান্ননা থবক তৌরগদি মণিপুরদা য়াম্না থুনা ইং তপ্পা হঞ্জিল্লক্কনি।

ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবদা এম দি এগী চিয়ারমেননা লুচিংদুনা পার্টিগী তোঙান তোঙানবা ৱারেপ ১১ য়াওবা মেমোরেন্দম অমা মণিপুরগী গভর্ণরদা পীশিনখ্রে। হৌজিক চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপী, মোরেদা চঙবা য়াদনা লৈরিবা অসি অথুবদা সেন্টরনা খুৎ থিংজিন্দুনা অকনবা থবক লৌখৎহন্নিংই। নেসনেল হায়ৱে নম্বর ২ (ইম্ফাল দিমাপুর লম্বী) অমদি নেসনেল হায়ৱে নম্বর ১০২ (ইম্ফাল মোরে) অসি অথুবা মতমদা হাঙদোক্তুনা লম্বী অসিদা ফ্রি মুভমেন্ট অকি অখঙ য়াওদনা চৎনহল্লু। মসিদা সেন্টরগীসু অচৌবা থৌদাং লৈ।

পাউগী মীফম অদুদা এম দি এগী কনভেনর ডা. এম তোম্বীনা হায়, হন্দক ন্যু চেক্কোনদা থোকখিবা থৌদোক অমদা মণিপুর ফায়র সার্ভিসকী পর্সনেল মঙা মরম চাদনা ১৬ শুবা জাদ রেজিমেন্টগী কাঙবুনা ফুখিবা থৌওং অদু পার্টি অসিনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি।

মসিদা নত্তনা মফম অদুদা পাউ লৌবা লাকপা পাউমী অহুমসু জাদ রেজিমেন্টকী কাঙবুনা মরম চাদনা ফুখিবা অদুগী মতাংদা চেন্নরিবা সেক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎনবা মহাক্না মহারাষ্ট্র সিএমগা উন্নরগা হোম মিনিষ্টর অমিট সাহদা অকনবা এক্সন লৌখৎনবা তকশিল্লগনি হায়রি।




# কার্ফিয়ু অমদি ইন্টরনেট থিংজিন্দুনা সোলূসন পুরকপা ঙম্লোই: এন জি বিজয়

**ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচএনএস):** হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা কাঙলূপকী ইরাং অসি নেমথনবা হোৎনবদা কার্ফিয়ু অমদি ইন্টরনেট থিংজিন্দুনা থোক্লিবা ইরাং অসি নমথবা ঙম্লোই হায়না সোসিও পোলিটিকেল কম্মেন্টেটর এনজি বিজয়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি লম্ফেলপাৎতা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্না মখা তানা হায়, হৌজিক ইন্টরনেট ব্রোদবেন্দ থিংজিনবা অসিনা মপানদা লৈরিবা মণিপুরগী মশিং য়াম্বা মহৈরোয়শিংদা ময়ুমদগী পৈশা থাবা য়াদদুনা চরা হেনবা য়াওনরে, ভারা পীবা ঙমদদুনা য়ুম্থুনা তান্থোকপীরকপা হায়বসি হোম দিপার্টমেন্টসু তারম্লগনি।

ইন্টরনেট থিংজিল্লগা রুমর থিংবা ঙমদে হায়বসি উরে। অতৈ ষ্টেটশিংদদি অদুম অপলোদ তৌরকই, কান্নদে। খুদোংচাহন্দবা শরুক য়াম্না হেল্লি। চীফ মিনিষ্টরনা এফ আই আর পাল্লি হায়দুনা মেদিয়াদা কিহনবদা তাবীগদবা মরম অদু নত্তে।

মহাক্না মখা তানা হায়, কাঙলূপ অনী ৱারী শান্নরগা লোইশিনবনা খ্বাইদগী হেন্না অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি। ৱারী শান্নবা অসিদা এন বিরেননা সিএম ওইদুনা লৈবা অসিনা ষ্টমব্লিং ব্লোক ওইরে।



মরম অদুনা মণিপুরগী অপুনবা শক্তমগীদমক অমসুং মহৌশাগী ইং তপ্পা পুরক্লবগীদমক চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন মতমদংগী ওইরবসু রিজাইন তৌবীয়ু।

মহাক্না মখা তানা হায়, হৌজিক হাই পৱার ইনক্কারি অমা শোয়দনা লাক্লগনি। জেলদা চঙগদবসু য়াওরকপা য়াই, বির টিকেন্দ্রজিৎকুম্না থৌনা লৈবীয়ু। মৈতৈ, কুকি কনফ্লিক্ট অসিনা কাঙলূপ অনী অসিগী নত্তবা নাগা অমসুং মণিপুরদা লৈরিবা অতৈ কম্যুনিটিশিংসু য়াম্না ৱারে। ইরাং অসি থুনা লোইশিন্দ্রবদি মখোয়সু অৱাবা খাঙবগী পনখৈ লান্থোরক্তুনা তোঙাননা লৈজরগে হায়বগী খুদোংথীবা লৈ। মৈতৈগী পুয়াদা য়াওই হায়রিবা পু অহুম চাইনবা হায়বদু চুম্লকপগী অকিবা লৈ। হৌজিক মণিপুর মীয়াম খুদিংমক্কী অশাউবা অমসুং পেন্দবগী টেম্পরেচর য়াম্না ৱাংই।

প্রেসর কুকর অমদা প্রেসর আউটলেট অদু মেনশিন্দুনা থম্লগদি মৈ অসুম য়াংশিল্লবদি বোমদগী হেন্না শাথিনা পোকখায়রক্কনি। মদুদা অৱাবা তারবা মীয়ামগী অশাউবা ময়াম অদু সোসল মেদিয়া অমদি ইন্টরনেটতা খরদি ফোঙদোক্লরক্কনি।

অমরোমদা, মিজোরামগী বি জে পি য়ুনিটনা মণিপুরগী কুকি এম এল এ তরানা তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসন দাবী তৌরিবসি মরম চাই হায়না ফোঙদোকখিবা অসি পাউচেদা ফোঙদোকখিবদা মে ২২ দনি। অদুবু বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা অদুক শাথিবা ৱাফম অসি মতম চানা শেংদোক্ত্রিবা অসি মরম করিগীনো হংলক্লি।